# মীতৈ পোলিটিসিয়নশিং! ৱাফম অসি মুন্না তাও

মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক, কুকিশিংনা মীতৈশিংদা লান্দারকপদগী মীতৈশিংনসু খূৎ হন্দুনা ঙসিদি লাকশিনবা ৱারগদবা লানগী শক্লোন লৌরকপগুম তৌরক্লে। লানসিগী মরমদা ৱারেং কয়া ইনখ্রে, লেকচর কয়া পীনখ্রে, নৈন মীফম পাঙথোক্লখ্রে। কোল্লম অসিখক্তদা শাউনীংবগা পেন্দবগা, ইথিল অনীনা ইনশিন্দুনা ইখিবা ৱারেং হুম্ফুগী মথক ওইখরে। মে ৩, ২০২৩ নুমিৎ অদু থারগা থা মরিগা নুমিৎ কুন্নিথোই, নুমিৎ চাম-য়াঙ্খ্রে মপূম ফাগদবা শুপ্নগী নুমিৎ নিপান্নিখক্তা ঙাইরক্লে। সেপ্টেম্বর ৩০, ২০২৩ - মীয়ামগী লুচিংবা 'ইরাবত' নীংশিং থৌরম নুমিত্তুদা মীতৈ-কুকি-লান অসি থা মঙা চপ চানা শুরনি। নুমিৎ অদু য়ৌগদবা চয়োল অমগা নোংমা ৱাৎলি। ৱাৎলিঙৈসিদা ইচিল ইনাও, ইচা-ইশু, মরুপ-মপাং, ইমা-ইবেন কয়াদা ৱা'মত্তা হঙ্গৎচহৌগে - হন্দক্তি ঐখোয় জন-নেতা নীংশিংলগতা তোক'কুমসি, ওইসি ঐখোয় পূন্নমক মহাক্লম্বা অমমম। লৌমী-শিন্মী ময়ামগী অপূনবই পাঙ্গল শাগৎনবা লমজিং মৈরা ওইখিবা, নুংঙাই-য়াইফ-নিংথৌকোনগী পুন্সি তুংওইনদুনা অতোন-অতা-লায়রবশিংগী মৎপীখ্রবা হক হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবনা শিল্পা ওইখিবা, মীয়ামগী লুচিংবা ইরাবত! থাঙ্গোল ময়া থাংদুনা, লৌগী লৌরোক হেনগৎহন্দুনা সনা-ফৌ লোক্তুনা ইনাক খুনবা কেপিটেলিষ্টশিংগা লম্বানবা থৌনা হাপ্লম্বা জন-নেতা! মমল য়াল্লবা থৱায়দুনা পোন্থা ওইখিবা লমদমসিগী লৌমীশিং! ঙম্নমক ওইখ্রে ঙসিদি মশাগী মরৈবাক মরমদমদা ময়ূম লৈতবা রিফ্যুজি! লাঙ্গোল-থাঙ্গোল পায়দুনা সনা-ফৌ থাগদবা খূৎ'তুদা লৈতেং ওইরে নোংমৈ'না। কেম্বা নাইবা হকচাংদুনা মীরৈবাক্কী লৈশাদা তিনখ্র'সু, শিবা নাইদবা থৱায়দুদি পাইরক্লমগনি লমদমসিদা। উরমগনি-হাঙলবা ফৌগী লৌবুকশিং তাঙ্গোয় ওল্লবা লৌমীশিংগী খাংপোকশঙ, লমহাঙ ওনখ্রবা লৈকায় কয়াগী য়ূম্ফমশিং। মহাক্না ঈথিল পীরম্বা চহী মরিফুগী তুংদসু, হান্নগুম্না পাঙদবা, তুহৎ-নৈহৎপীরবা, মীনায়গুম্না হিংববু হিংফম থোকপা পুন্সি-মহিংদুনি খন্না অদুম হিংলল্লি... মতমদুদা তূমখিবদু ঙসিসু মীকপ থোক্লমদ্রি, মহাক্না তাক্লম্বা লম্বীদুদা কনা'মত্তসু চৎলমদে লম্বী লম্মাঙনরল্লি। সেপ্টেম্বর ২১ অমসুং ওক্টোবর ১৫- ঙসিসু ওইরি অমম্বা নুমিৎ। ঐখোয়বু অমম্বা তাইবঙ অমদা চিংশিল্লমখিবা নুমিৎশিং, নীংশিংলোইদবনি 'অমম্বা নুমিৎ' ওইনা। পাঙথোক্লমগদবনি 'মঙাল পীবা নুমিৎ' হায়না মিংথোন্দুনা । ১৯৪৯ সেপ্টেম্বর ২১দগী মমথরকখিবা মণিপুরগী নোংদোলথক্তা ঙাল্লম্বা কোরৌদু পূম্মম মমখি ওক্টোবর ১৫, নুমিৎ ২৪গী মতুংদা। চহী ৭৭ হৌখরে। য়োইময়াই তাউদল অহানবা ঙসি ফাওবা থোক্লক্ত্রি, কয়াদা শাংখ্রবা অহিংনো! ১৯৪৯, ওক্টোবর ১৫দা তূমখুন হুনখিবা মীতৈ খুন্নাই, মীকপ থোক্ত্রি ঙসিফাও।

ইন্দ্রদেব অমসুং ব্রহ্মদেব অনীমকপু খুদুম চন'ঙম্বা, মপাঙ্গল মথৌনা লৈরবা 'কুম্ভকর্ণ' নীংশিংই মীতৈশিংনা মীকপ থোক্ত' তূমখুন হুনবা উরগা। রাবন, বিভিষন অমসুং কুম্ভকর্ণ- মচিন মনাও অহুম্না ইন্দ্রদেব অমসুং ব্রহ্মদেব অনীবু পেলহন্নবা অচৌবা যজ্ঞ অমা পাঙথোকখি। কনানসু লাকশিনবা ঙম্লোইদবা কুম্ভকর্ণগী মপাঙ্গল মথৌনাদুগী খল্লগা 'ইন্দ্রদেব' লাংতক্লখি, কুম্ভকর্ণনা মখোয়দগী নিগে খল্লিবদু করিনো খঙলুবনা লাংতক্লবদু হেনখিবনি। পুজা (যজ্ঞ) অদু লোইরকপদা হংখি 'করিনো, হায়য়ু অপাম্বা'? ইন্দ্রদেব'গী য়াথংদা 'সরশ্বতি দেবী'না কুম্ভকর্ণগী লৈতোন্দা তোংদুনা 'হায়দৌ ৱানা হায়হৌদা, হায়রোইদৌ ৱাদু হায়দোকখিবা' তৌহনখি। 'ইন্দ্র-আসন' (ইন্দ্রগী ফম্ফম/সিংহাসন' নিগদবদু 'নিদ্র-আসন' (নিদ্রাগী ফম্ফম) নিথোকখি-মতম চূপ্পা অশিবগুম তূমদুনা লৈগদবা মোল্লবা-মোম্পাক! থিন্থদনা পীথোকখি। লৌশিংলবা রাবন'নি, খঙখি - বরদান নত্তে শাপনি। হন্দোক্নবা হায়জখি। পীথোকখ্রবা খুদোলবু অমুক হঞ্জিনবা য়াবরা? অদুবু, মতম চূপ্পা তূমদুনা লৈবই মহুত্তা, থা তরুক তূম্লুরগা নোংমা মীকপ থোক্লকপা, অরাম খৌরাং কোক্লবা মপুক পেন্না চারগা অমুক তূমখিবা-তূম্বগী মওং হোংদোকখিদুগুম্বা মওংনি মীতৈ কৌবা, মালেমদা মীথোই মীহেন ওইগদবা ফূরুপসিনা মতম অসুক কুইবসি হিংলি হায়বতং থোক্লবা পুন্সি অমা হিংলক্লিবা।

মীতৈ ফূরুপকী পুন্সিগা পান্দম্নবা য়াবা অতোপ্পা এল্লিগোরি অমনি - অমেরিকান অইবা 'ৱাশিংতন ইর্ভিং' গী ৱারীমচা 'রিপ ভান ৱিনকল' ... ময়াই কাবা মহী অমা থক্লুবদগী, চহী কুন্দ মীকপ থোক্তনা তূমখিবা। চহী কুন্দ চূপ্না ন্যু য়োর্ক'কী কেটস্কিপ চীংজাও'দা তূম্লুরগা মীকপ থোক্লকপদা পূমওন ওল্লবা তাইবঙ অমা ওইরমখিবা... অমেরিকান রেভল্যুসন, তূম্লিঙৈদা থেংনহৌদবা অমেরিকান অমগী শক্তম ওইবা 'রিপ ভান ৱিনকল'- মীৎমাঙমক্তদা থোক্লিবা অহোংবশিং উনা-উনা-উহৌদ্রবা, চাওখৎপগী লমজেলদা য়ূমলোন্নবা ষ্টেটশিংগী তুংদা চহী কয়া চঙনা চেল্লবসু তানখৎপা ঙম্লরোইদবা খোঙথাং অমদা চৎলিবা মীতৈশিংগা করি খেন্নবগে? লম্বী-লমজাওদা থোক্লগা পেন্দ-খোল্লাও লাউরুবা, ইরানয়াইদা হল্লক্লগা ৱাখল মোন্দ্রং শান্নবা... মরক্তুদা লীৎখৎলকপা ৱাখলনি।

ঐখোয়, মঙাল মরীক ফংদ্রবা, শুক্না মল্লবা অহিংদা নীংঙাইদনা তূম্লিবা, তূম্লম্বদই মীকপ থোক্লবা য়াওরল্লগসু অমম্বদা মাদুনা, লেঙম-শাঙমদনা লৈরিবা মীওই ফুরুপ অমনি হায়বসি অদোম য়াবীনীংদবরা? ঐখোয়না ঙসি লেল্লিবা, মরু ওইনা মে ৩, ২০২৩গী মতুংদা লেল্লক্লিবা পুন্সিসিবু কুম্মাথোইশুবা সেপ্তুরিসিদা হিংফম থোকপা পুন্সিগী থাক অদুরা? ইশানা ইশাদা ইদোম অমুক্তা হংজসি। হান্নদগী মীমান্নদ', মনীং হন্দুনা চৎলল্লবা পুন্সি খোঙচৎ-লমজেলসিদগী নাথৈদুনা তুংহন্ননা লৈহৌখি। থা মঙাগী তুংসিদদি ময়েক শেংলে, মে ৩, ২০২৩গী মমাঙদা লৈরম্বা থাক অদু য়ৌনা অমুক শেমগৎপদা চহী কয়া চঙলনি... ৱী হেভ গোন থর্টি য়রস বিহাইন্দ, চহী কুম্ভ্রাগী মমাঙদা লৈরম্বা থাক অদুদা হম্থখরে ঐখোয়গী পুন্সি'-থাক। লৈঙাক লৈত্রবা লৈবাক... এ কন্ত্রি ৱিদাউট এ রুল্লর... এ গভর্ণমেন্ট ৱিদাউট গভর্ণান্স ... করি ওইবা হৌনবগে? ইবা পাবা হৈরবা, ৱাখল খনবা ঙল্লবা-মশীং য়াল্লবা মীয়াম্লি - ইদুনা অমুক শান্নখিসিরা-অহৈপা শাই হায়নবা? মদুদি ঐ তৌনীংদে। মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা শক্তম-মালেমসিদা খঙদবা কনা লৈরম'দগে? ইরুবগী কান্নদে। অদুবু ঙসি ৱারেংসিগী হীরম অমা ওইনা ইগে খল্লুরিবা কলম পায়খৎলুরিবা মীতৈ-কুকি শোক্নরিবা লানসিগী মরমদা নত্তে। লানসিনা কুইশিল্লকপগা লোক্তুনা লৈরম্বা পোলিটিসিয়নশিংগী অশেংবা মশক মপান থোক্না উখোকচরকপা... মখোয়না অসুম মখা তানা লৈঙাক্লবা, ঐখোয়গী হয়েং কদোম মায়কৈ পাংগদগে লাংতক্লবা থম্মোয়সিগী মপাউনি।

হৌজিক্তি ৱাফম অসি হায়বা অমসুং ইবদা করিসু চিংননীংঙাই লৈতরে- 'মীতৈ-কুকি অনীগী মরক্তা লৈনবা মরী, হান্নগুম্না নুংশি চান্নবা মওংদুদি শুকওই ওইররোই'। তাৎ হৈবা পোলিটিসিয়নশিংনদি ৱাফম অসি খঙলবসু, শুকহায় হায়রোইদবা ৱাহায়নি। হৌখিবা চহী কয়াদগী মখোয়দগী সুপরিয়র ওইবা, লম্ কয়াদা মীথোইবা, ফন'মক হোৎনরবসু মথক থোংবা ঙম্লরোইদবা মীতৈশিংগী মথক্তা কুকিশিংনা অমুক্তং ঙম্না পান'নীংই, মীতৈশিংগী মথক্তা লৈনীংই। আইন'না য়াবা, অচুম্বা পান্বেনদি কৈদৌনুংদা ঙম্লরোই খঙবনা, নত্তবা অরানবা পান্বে শীজিন্নদুনা মীতৈশিংগী মথক থোংনা পানবদুমক ঙমদ্র'সু মীতৈশিংদা মেক্সিমম দেমেজ/অমাঙ অতা থোকহনগে হায়বসি মখোয়গী অরোনবা থৌরাংনি- খঙদবা লৈত্রে ঙসিদি। তোল্লবশিংবু অকনবশিংনা তুহৎলি, ঐখোয়সু অতোনবনি হায়বা 'মাইনোরিটি কার্দ' পায়দুনা শান্নরকপা কুকিশিংগী পোলিটিক্স, মীতৈ-পোলিটিসিয়নশিংনা কৈদৌনুংদা খঙখিদে। ফত্ত-লৌশিং হৈবা, তুংলমচৎ উবা কুকি-পোলিটিসিয়ন অমনা, মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টপু মহাক্কী মচানুপা অনীগী খুবাম্লুংদা থম্নবা, মতম শাংনা পুলিস মকোক ওইনা লৈহন্নবা পোলিটিক্স-কুইরবগী মমাঙদগী তৌরকখি। মহাক্তা নত্তে, অতোপ্পা কুকি লিদর কয়া অমসুনি। অকনবা 'কন্সর্টেদ ইফর্ট' মতম চঙনা হোৎনরকই। চহী নিফু চঙনা শেমগৎ শাগৎলকপা থৌরাংদুনি ঙসি থবক ওন্থোরক্লিবা। পোলিটিকল দিমান্দ অমা ফংনবা কম্ম্যুনেল পোলিটিক্স তৌরকখিবা - মীতৈ পোলিটিসিয়ন অমত্তনা উবা ঙমখিদে।

পোলিটিকল দিমান্দ! তৌফম থোকই তৌগদবনি। মীতৈসু তৌই, নাগাসু তৌই। অদুবু কুকিশিংনা তৌরিবসিগুম মখোয়গী পোলিটিকল দিমান্দ ফংনবগী নিংঙাইদা মীতৈ-ফূরুপ (কম্ম্যুনিতি) অসিদা অপান্ননা টার্গেট তৌবদি কনামত্তনা তৌখিদে। মালেমগী মফম কয়াদা মফমদুদগী হৌরকপা য়েলহৌমী (ইন্দিজিনস পিপল) কয়া খুন্দারিবা ময়ামসিদই পুমতোং তোঙানবা, মফমসিদই হৌরকই হায়বা অকক্লবা লৈতবা কোয়না থুংনা চৎলগা মফমদুগী য়েলহৌমী তান্থোক্লগা ময়ূম লীংগে হোৎনবা, মালেমগী মফম অমত্তদা কনাগসু নুংশিননা হিংমিন্নবা হৈতবা 'কুকি' কৌবা ফূরুপতুগনি ঙসি লান্থেংনরিবা মীতৈ কৌবা ফূরুপ্তুনা।

অদুগা মোদি অমসুং অমিট শাহ। লৈবাকসিগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টর অনীমক্না এগ্রেসর ওইরিবা কুকি-মিলিটেন্ট অমসুং নার্কো টেররিষ্ট কম্বাইন্দ ফোর্স অসিগী মীচংদা ফোংনা লেপ্লগা, খুজিন মমায়মুক পাকপা লমদমসিদা থাজিল্লক্লিবা ইন্দিয়ন আর্মদ ফোর্স! করিসু তৌবা ঙমদনা করিমত্তা তৌহন্দনা থল্লিবা করিগীনো? ঐখোয়বু ঙাক্লবা মীহুৎ ওইনা থাগৎখিবা নখোয়বু হৌজিক ফাওবা খঙদ্রিবরা? দেল্লীদা চৎলুরগনু। ৱাকৎ থাঙ্গৎলুরনু। বন্দে-ভারত-এক্সপ্রেস-ট্রেন লমথাবা, ষ্টেসন মাষ্টর অমনা তৌবা য়াবা থবক্তু তৌনবা, চিল্লবা মতম কায়থোক্তুনা চৎলিবা 'ভারত' কী প্রাইম মিষ্টিরনি 'ভারতকী জনতা' (মীয়াম) না থাগৎপা। মহাক্কী ৱাখলদা 'ভারত' কী শরুক অমা নত্তে 'মণিপুর'। মণিপুরগী মী লিশীং কয়া শিরসু মীত্তা পিরাং ঈহৌরোই। মফমসিদা লাকপই ৱাদি থমখিসি, মাগী চীনবান্দুদগী ৱাহৈ অমত্তসু হায়রোই খন্না হায়দ্রিবদু অচুম্বা ফিরেপনি মাগীদি। দেল্লীদা লৈখিবা এম এল এ'শিং হনবীরক্লো নরম'দা। মোদি উন্ননবা পুংফম ঙাইরিবদো মফমদুদা, কৃষ্ণনা লাক্কনি হায়রম্বদু ঙাইবগুম্বনি কান্নরোই। নচা-ননাওশিংদা হায়রো-লাউ 'উপাই লৈতে, য়ারক্তে'। কৈসু তৌবা য়ারোই খঙই মখোয়সু। ঐখোয় পূন্না কৈদৌসিগে তান্নমিন্নসি। ঐখোয়বু ভারতকী জনতানি খনবা ঙমদ্রবা পার্টি অদু থাদোক্লনি হায়রম্মু। ঐখোয় ৱারেপ লৌমিন্নসি। য়েংসি মখোয়না কৈদৌরকপগে?

অদুগা, ওনরেবলদি ওইদ্রবা ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর! খঙই ঐখোয়সু শক্তি পূম্বা নহাক্কী। অদুবু , খুল ঙাকপা অথৌবশিংনা মথ্বায়দুগা ঙমখৈগা ওন্নগনি চোংথোক্লমদ্রবা করিগুম্বা, মীতৈ খুঙ্গং কয়ানো কুকিশিংগী খূত্তা তারমগদবা! মখোয়বু লৈবাক্কী মথক্তা লান হৌবা কাঙবুরনে? এন এস সী এন (আই-এম) গী খূৎলায়গা কোন্ননা ফারবা কেদরশিংবু দেল্লীগী য়াথং ফংদুনা অহিং নোংয়াইদা থিনখিবদু নীংশিংসি। এন আই এগী কোর্ট'না থাদোক্লবা ফাদোকতুবু এন আই এ'না অমুক ফাজিনবা! থৌওংসিনা তাকথোকচরে ভারতকী অরোনবা এজেন্দা। 'সিমক্তদা করিগী অয়ম্বা অমগুম ফল্লিবা? ৱী সীক য়োর অন্সর।

-সোইবমচা ইন্দ্রকুমার

# 'ঐখোয়গী কার - এম এন এস - ৫৮২৫' (#২)

নোংমা খুরাইদা লুহোংবা অমা চৎলুই। নুপীময়ূমদুনা শীংজমৈদরা কৈনোম তৌবনি, নুমিৎতু নোং থিৎলি-থিৎলিসু চুই মৈসু মম্মী। লুহোংবা থিল্লকপদা গাড়ীশিংদো তোংবীনবা মী লৈতদনা ইহাঙ হাঙবনা অয়াম্বনি। ঐগী এস্কেসেদরদু পরেং লেংবদদি অদুম য়াওই, মীদি কনামত্তা তোংদে। গাড়ীদু মস্তক তৌবনরা খঙদে।

নোংমৈবুং নাম্বম চুথেক য়ৌরকপদা ঙসাইদগী চিংনা-চিংনা থৌরকপা গাড়ীদো ষ্টার্ট মূত্থোকখ্রে। ষ্টার্ট ফনয়াম হৌনবা হোৎনরবসু ষ্টার্ট হৌ হায়বা য়াদ্রে। লেংলিবা গাড়ীশিংদো ফৎ ফৎ থৌনখি, ঐগী লাইবক ফবা হায়ববু কৈন্যা মমান্নবী অমত্তা তোংলক্তবা অদুনি। অদুবু ইমান্নবা অমতং তোংলল্লবদি লম্বীগী মতাইদা ইনশিনবা য়াবনি। কনামত্তা গাড়ী অমা লম্বী ময়ায়দা য়াদ্রে হায়দনা খিতং তপথরগা হন্না ফাওবা য়েংবীরমদে। দুকানসু লোইনা লোন্নখ্রে, কনাদা হায়রুনি গাড়ীসি মতাই ফাওবদং ইনশিনবা য়াওবীয়ু হায়না। ঐ থৱায় য়াম্না ৱাখি।

ধোন মখোলসু তারম্বদগী তাখিদ্রে। ৱারসু ৱানা ইতোমতা ষ্টিয়ারিংসু পায়রে লম্বীগী মতাই ফাওবা য়ৌনবা ইনশিনবদা খংয়াঙ য়াঙবা অমা ফাওই। গাড়ীদু ইনবদা ইতোমতনা অৱাবা ফাওদে। কনাগুম্বা মীওই অমনা ইনবা য়াওবীরকপা মানবা অমদি ফাওই। ঐনা মায় ফৎ লৈথোকপদদি ৱাং চাউরবা নুপী অমনা ইনবা য়াওবীরকপা ওইরম্মে। ঐনা খনখিবা হায়বু ঐগী অৱাবা মতৌদু য়েংবা ঙমদদনা মানা মতেং পাংবীরিনি খনখি। ঐনা পূমঙক ঙক্লিঙৈদা ওন্থোক্না থুনা লম্বীগী মতাইদা হৌরিবা চাউরবা খোংনাং অমগী মরুমদা য়াম্না থুনা ফৎ মাঙখি, ৱাহৈ অমফাও হায়বা নংহৌদে। অদুসু ঐ করিমতা ফত্তনা খনখিদে, খোংনাংদুগী মরুমদা কোন্থোং অমা লৈরমগনি খনখি, অদুদা মা শোয়দনা চঙলম্লনি খনে দাকখি। ঙহাক্তুং লেপ্তুনা লৈরিঙৈদা খিতং লাপ্তক্না দুকান অমগী মমাঙদা মৈঙাল অমা উই। ঐনা চঙশিন্দুনা য়েংবদা মী খরা দুকান মনুংদা থবক শূদুনা লৈ। ঐনা চঙশিন্দুনা করিনোমতা হায়জগে। মনুংদগী 'কনানো, খুম্লকই'। 'ঐ সুমাই তৌবনি ঐ লুহোংবা লাকপদা গাড়ী বেরা তৌদুনা ষ্টার্ট হৌখিদ্রে। লম্বীদসু মী অমত্তা চৎত্রে চানবীদুনা গাড়ীসি ষ্টার্ট হৌব্রা য়েংজগে খিতং ইনবা মতেং পাংবীয়ু' হায়জরুবদা হরাও হরাও য়াবীরক্তুনা মখোয় থবক শূরম্বা নহারোল মরি/মঙা থোরক্তুনা ইনবীবদগী ষ্টার্ট হৌরে। ময়ামদা থাগৎ ৱাহৈ পীরমখি, 'ঐ কুমথবা য়াদ্রে, ষ্টার্ট মুৎখিদৌ মাল্লি, শাউবীবা য়াদে' ময়ামদুনা য়ারে য়ারে ষ্টার্ট মূত্তনবা অদুম থৌখ্রো হায়বীরকখি, ওন্থোক্না পুকচেল চাউখ্রেদা মখোয়শিংদো খল্লি।

অদুগা ঙসাইগী খোংনাং মখোঙদা চঙখিবা নুপীদু কোন্থোংগা লৈতবজাৎলা য়েংবদদি কোন্থোংসু লৈরমদে, অশোংবা মোংশোং অমা ওই লৈরম্মে। ঐ অকিবগী ৱাখলদি খল্লুদে। য়ূমদা হল্লক্লগা ৱারী পূম্বা ঐগী নুপীদা তম্মী। ৱারীসে ঐনা নোংমা মায়কৈ অদোমদা লৈবা খঙনবা অহল অমদা হংবদা অদুমাইনা অৱাবা খুদোংথীবা তাবা মীদা মতেং পাংবা লাই নুপী অমা হেক থোরক্তুনা মতেং পাংবী হায়বগী ৱারী থায়নদগী অদুম তারকই। হায় অদুগী লাই নুপীদু নঙদি থেংনরুরবোইরে। ঙসি ফাওবা ঐখোয়দি ৱারী ওইনা তাবগী ৱানি থেংনদ্রি। ●

-আর কে বুধিমন্ত কর্টা



# 'লাঞ্জেন্নবা মরক্তুদা মখোয়সু য়াওরমগদ্রা?' (#১)

'ইমা! তা মচাসিবু লুপা কয়া পীবীবগে?'

'ইবুংঙো! অনী লৌগদৌবরা?'

'-অমতনি ইমা!'

'-লুপা ৫০দনি ইবুংঙো।'

লল্লোনফমদা ফল্লিবী লাই-তীলগী পোৎ চৈ য়োল্লিবী ইমা মানবীদুনা কর্ফিয়ু মতম তেনশিল্লকপগা য়োন্নীংনা হায়রকপা ৱাহৈনি। তৌবগীসু কর্ফিয়ু মতম তেনশিল্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

'সে ইমা! সিদগী লুপা ৫০দু লৌবীহৌরো।"

'ইবুংঙো ইমাদি চামঙাগী অচোইবদি লৈতেনে তৌরিসিদি। ঙাইখো-ঙাইখো ইমা অচোইবা কায়রুখিগে।'

'ৱানবনি ইমা, ফুরিৎখাওদা অচোইবা য়াওব্রা অমুক্তা য়েংখিগে।'

ফুরিৎখাও হুমদুনা লুপা তরাচৎপী খরা য়াওখিবদু লৌথোক্লগা কয়া শুবগে থিদুনা য়েংই।

'ইবুংঙো অচোইবা য়াওরব্রা?'

'অচোইবসিবু লুপা ৪০দং ঙাইরল্লে, শুরমদ্রেবু।

'য়ে! ইবুংঙো য়ারে-য়ারে ৪০দু পীরো। সে! লৌরো লাইদা কৎচরুরো মহয় ফংবা ওইজরো।'

ইমাদুগী ৱাহৈদুনা অমুক্কা হেন্না থৱায়সি নুংঙাইহল্লি। অদুবু লুপা ১০দি ৱাৎখিবদুদা নুংঙাইতবদি ফাওখি। থংনবা পোৎফম ফম্বীদুদা হায়রপতং য়েংথোকউবনি।

'তাদা কনাগী লাই খুরুম্বগীনো?'

'এ! ইবেম্মা! নঙ ওইরে। কনাগীসু নৎতেদো, ইচানুপাদুগীনিদা।'

'ইচানুপাদু কৈদৌরবগেনে?'

'করিসু তৌদেদা মচিন তুম্বা পোৎনা শোক-ও পল্লোবা লৈ। পাখংবদা মচিন তুম্বা অমা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কৎথোকউ হায়না পাঞ্জিনা হায়রকপজাৎনিদা'

অসি হায়রল্লগা পরপ-পরপ তা মচাদুমা লৈরগা পোৎফমদগী থোরক্লে।

'ইমাগী এপলসিনা কেজিদা কয়া কয়া পীরিবা?'

'ইবুংঙো! সেমসিরা? শোমগীসিনা লুপা ২৫০, অসিনা লুপা ৩০০নি।'

'ইমা! লুপা ২৫০ পীবসি কেজি মখায় অমত্তা লৌজগে' ঙসাইগী লুপা ৫০০ চৎপীদো থাদরগা এপলদুগা হল্লকপা শেলদুগা পায়রগা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎসিদা কৎহৌরুবগে হায়দুনা পরপ-পরপ লাকই। কর্ফিয়ুসু মতম য়ৈখৎলকপনিনা থেংখ্রনি খন্না ইচানুপাগা লোয়ননা ওটোরিক্সো তোংদুনা কংলা লাইফম তান্না হোবে-হোবে লাকই। কংলা পার্ক য়ৌরে। গাড়ীদগী কুমথরগা ইপাইচাগী অতোংমল পীগে হায়দুনা ঙসাইগী হৈ য়োনফমদগী হল্লকপা শেলদু পুথোক্তুনা লুপা ৪০ পীরগা লুপা ৪৪০ লেমহৌরি।

"করিনোনে? হৈ য়োনবী ইমাদুনা হন্দোরক্লিবা শেলসিবু লুপা ৪৮০ লৈরম্মীবসিবু? হুম শোয়রে, হৈ য়োনবী ইমাদুনা লুপা ২০দমক লৌহৌরেদনা।' ইতোমতা মুরুম মুরুম শোনবদুদা ইচানুপানা করি তৌরবগে হংলকই।

'করিসু তৌদেদা লুপা ১০০ হেল্লকপগুম তৌরমাল্লে'

ইতোমতা খল্লি হৈ য়োনবী ইমাদু হরাও হরাও ঙসাইমখৈ পোৎ শিংতবদগী খরা শিংলকপদুদা শেল হন্দোকপদা লুপা ১০০ হেঞ্জিল্লকএদনা। হোরেল হনখিবদদি ইমাদুদি লৈরল্লরোই, কর্ফিয়ু হৌখ্রনি। হয়েং হন্দোকউবা হায়দুনি। অসুম্না খন্না লাকপনা কংলা গেট য়ৌখিবা খঙহৌদে।

'অহল! নপা-নচাবু করি তৌবা লাকপনো?'

'কংলাসিদা আউটসাইদর চঙবা য়াদ্রে। অথিংবা লৈরে।'

'ইবুংঙো! পাখঙবগী খুভমদা ইচাসিগী থৌনিজগে তৌবনি'

'চঙবা য়াদ্রেবু! কৎকে হায়রগা মাঙদা লৈরিবা উপাম্বী অসিগী মখোঙদা মায়কৈ ওল্লগা কৎপা য়াগনি। ময়ামসু কৎনবগী লৈরিবসিনি, অসি ফাওবদি চঙবা য়াগনি।'

কংলা গেটতুগী মনুং খজিক চঙলগা সিক্যুরিটি মানবা মখোয় মরি-মঙা পরেং ফম্মম্বদগী অমনা হায়রকপনি। খোন্দাদু কয়া হাওতে, তাদা-মাম্মা-খুরা হায়দে, 'অহল' হায়বা লোনসিবু পুমসুপ সুপখ্রবজাৎলা? ইপা ইচাসু মখোয়না হায়বা মফমদুদা চঙলগা য়েংলুবদা হৈ-লৈ খরা-খরা উপাম্বী অচৌবদুগী মখোঙদা কৎলম্বগী মওং উই। মফম-মরাং খঙদবা মফমসিদা কৎলুরগা করিবু মহয় ফংদোইনো খন্দুনা অদুম পন্থদনা ইপা-ইচা থোরক্লে। ঐখোয়গী ইতৌদু উরগা সিক্যুরিটি মরক্তগী নুপী অমা ঐখোয় তম্না চঙশিল্লক্লগা-

- করি তৌরে? লাই কৎত্রবদি নপা-নচা?

- আ! করিসু তৌদেদা, খুভম খঙনা অতোপ্পদা খুরুমজরুরগে তৌবনিদা। ●

-ওক্রম ভগিরথ

# 'ফাগিগী মতম নত্তে' (#১)

মণিপুরগী মীয়ামসিবু ফাগি তৌফম মীত্রং তৌফম ওইনা লৈবাক ঙাকপশিংনা উরবজাৎলা হায়বসি চিংনদবা ঙমদে। নোংমা স্কুলগী ওজা অমনা মীত্রং অমা তৌই। মনাক্তা লফোই অমা টেবল মথক্তা থমই। লফোইদু পায়খৎলগা মকু খোক্লমদাইদা হায়রকই - "ঐনা পায়রিবসি লফোইনিকো?" ময়াম্নসু মীত্রংনি হায়বদুদা নুংঙাইবা ইনোৎ অমদা 'মানি মানি লফোইনি' হায়না লাউরকই। নুপাদুনা তপ্না তপ্না লফোইদু মকু খোকপা হৌরদুনা মখা তারকই - 'লফোইসি মকু খোকএকো!' ময়াম্নসু মহাক্কী মীত্রংদু মখা করি তৌরক্কদগে খন্দুনা খৌরাংনা ঙাইনা ঙাইনা 'খোকএ খোকএ' হায়দুনা খুন্নরকই। অদুদগী মীত্রং তৌবা নুপাদুনা মখা তানা লফোইদু চাবা হৌরম্মী। লফোইদু চানা চানা অমুক য়েংলিবা ময়ামদুদা - 'লফোইসি হৌজিক ঐনা চারেকো' হায়রগা লফোইদু লোইনা চাবা লোইথোক্লম্মী। য়েংলিবা ময়ামদুনা মখা করি তৌরক্কদগে হায়দুনা ইখৌ লাংবা অমগা লোয়ননা লাউনরকই 'চারে চারে, লফোই চাখ্রে' অদুদগী মীত্রং তৌবা নুপাদুনা নোক্লন্দুনা লাউথোরকই 'মতাং অসিদা ঐগী মীত্রং লোইজরে।' মদুদনি য়েংলিবা ময়ামদুনা পূক্নি পায়বমখৈ ৱা ৱা নোকখিবসি। ৱারী অসি ওজা অমনা ঐঙোন্দা লীবিখিবনি। মহাক্না ঈহৌ অমগী জেলদা লৈবা মতমদা মতম লেনবা ওইনা অতৈ লৈমিন্নরিবশিংগী মমাঙদা ফাগি ওইনা উৎখিবনি। মতৌ মালহল্লগা করিসু ওইরমদনা থোক-থাক ওইরম্বদুদা ফাগিদু ফাগি অমা ওইনা মায় পাকখি। হৌজিক মতমগী লৈঙাকসু মসিগা করিদা খেন্নরিবগে? মীনা নোক্লনবা ফাগি তৌবা হায়বসি য়াম্না লুবা থবক অমনি। অদুবু ফাগি ওইনা তৌবা নত্তবা থৌওং কয়াদা ফাগি ওইখিবা কয়াসু য়াওদবা নত্তে। অপঙবা মীনা তৌথোরকপদা ফাগি তাখিদুনা নোক্লিংবা তাঞ্জাসু য়াম্না লৈ। অপঙবা হায়বসিদা য়াম্না শেংনা শুকখঙ খঙজদবা অপঙবদুদি তাকপীবদা লৌই, অমুক শিংলকপসু য়াই। ফত্তবা থবক্লি হায়বা খঙনা খঙনা খোঙথাংজিল্লিবা, শুকতুম তূমদনা তূমশিন্নরিবা, অতম্না অতোপ্পগী মাঙননবা শীল্লিবা, অমুক হন্না শীংলরোইদৌবা, মখুল চঙলমদাইদা শিংগদৌবা মীদুবুনি অপঙবা ফত্তবা হেক হেক হায়নরিবসি। মীপূম খুদিংমক্লদি খঙনৈ মদুদি - অপঙবা মীনা ফত্তবা থবক তৌই, ফত্তবা মীনা অপঙবা থবক তৌই। মসিনা তাক্লিবদি অপঙবা অমসুং ফত্তবা হায়বসি শেনয়েক অমগী মমায় অনী লৈবগুম্বনি। অপঙবা ১০০গা মরুপ ওইগদৌ শরুক অশিংবা অমগা য়েক্লবনা হেন্না ফৈ হায়নৈ। তুং কুইনা নুংশিননা লৈমিন্ননবা হোৎনরবদি অশিংবা অফবা কৌরমগদবদু, খাঙতপ্তা মায় পাক্লোইদবা লাল্লোং অমগা লোয়ননা কায়ননবা শিল্লক্লবদি অপঙবা ফত্তবা হায়বদু ওইরে।

মীতৈশিংগী হনুবা হনুবীনা পান থাবগী থায়নগী ফুঙ্গা ৱারীদা য়োংনাও ময়াম্না অশিংবা শাদুনা পানবু মুন্না ফুত্তোকহল্লগা লায়োম তৌদুনা থাহল্লগা অহিংদা হোগাইদুনা লোইনা চাথোকখ্রগা খোংবান্দগী চাবা য়াদবা পান্দোং ফজবা লম্বান ময়াম ফূক্তুনা থাজিল্লবদা, ইশেং শেংনা পঙজবা হনুবা হনুবীদুনা পান্দোং ফজবশিংদু উবদা অপঙবা য়োংনাওশিং অদু অশিংবা অফবশিংনি খন্দুনা য়াম্না হরাওজখি। অদুবু পানশিং অদু হেক্তুনা থোংলগা চারুবদদি লেঙবনা খাঙবা ঙমদদুনা হেন্তাক চারগা খাঙখি। মতুংদা থৌদোক অদুনা অশিংবা ওইহল্লবা হনুবা হনুবী অনীদুনা য়োংনাওশিং অদুবু তক্তনা হাৎপা হৌরকখি। ৱারী অদুগী নুংগী ৱাখল্লোন খঙজদ্রিবা অঙাংশিংনা তারগা থৱায় তানা নোকচৈ। ৱারী অসিদা কুইবা য়ারোইদবা তাৎ-পাৎ তৌরুরিবা মথ্বায় মাঙখ্রবা য়োংনাওশিং অদুগা মরল মথুম মাঙখ্রবা তুংদা খঙলকইবা, হেন্তাক চাদুনা খাঙখিবা হনুবা হনুবী অদুগা কনানা অপঙবা অশেংবনো হায়বদু হৌজিক্কী মতমগী মীরোল অসিনা নৈনফম থোকই হায়না খল্লি।

অতোপ্পা ৱারী অমদি মহাভারতকী মনুং চনবা ৱারীনি। পান্দবকী মচিল মনাও মঙাগী মনুংদা খূৎশু খূৎলায়দা লম্বা লৈতনা হৈরে হায়না লৈজরিবা অর্জুননি। অর্জুনগী খঙএ হৈরে হায়বগী নাপল অদু থুদেক্নীংদুনা শ্রীকৃষ্ণনা খ্বাইদগী অপঙবা থৱায় পানবা অমা ফারকউ হায়না থারকখি। অর্জুননা অসুম লাকপদা পাৎপান অমদা ঈশিং মনুংদা মখূৎনা হান্না হূমদুনা মারগা ঈশিং থকপা লমহুই অমা উরম্মী। মহাক্না ঈশিং মনুংদা হান্না মখূৎনা হূমদুনা নৈখাইরগা ঈশিং থক্লিবা লমহুই অসি খ্বাইদগী পঙবনি খন্দুনা ফারম্মী। লমহুইনা মহাকপু ফাবগী মরম হংবদা অর্জুননা মরমদু লোইনা হায়বগা লোয়ননা লমহুই অদুনা ঈশিং নৈখাইরগা থক্লিবগী মরম হংলম্মী। মদুদা লমহুইদুনা খুম্লকই - "ঈশিং মনুংদা ঐবু চিংশিনবা ঙম্বা থৱায় পানবা অমা লৈরমদুনা ঐনা ঈশিং থক্লিঙৈদা ইচিন অসিদা উমদুনা চিংথখ্রবদি ঐহাক কৈদৌনুংদা হিংলরোই। ইখুৎ অসিনা থেংনরবদি নান্থোকপা ঙম্বসু ময়াই। মরম অদুনা করি করি লৈবগে হায়দুনা হান্না খঙদোক্লগা ঈশিং থক্লিবনি" হায়রকই। মদুদা অর্জুন্দু মহাক্না খ্বাইদগী পঙই হায়না খল্লুরিবা লমহুই অদুনা হেন্না শিংলমদুনা লমহুইদুগী মফমদা মহাক্না ওইনা অপঙবা তাদুনা মায়থীদুনা ইকায়না হনখি। ৱারী অসি চপ চাবদুমক নৎত্রবসু মপূংদি অসিনি। মসিসু কন থৌখ্রবা খূৎশু খূৎলায়দা হৈরে শীংলে হায়না লৈরিবা মীশক অমনা অপঙবা মপান থোরকপগী থৌদোক্লি। ৱারীশিং অসিদা নোক্লিংবা ফাওরিবা অদুমক্লি হৌজিক্কী মতমদা অশিংবা শাবশিংগী মতৌ উরগা নোক্লিংলিবসি। অদু ওইরগদি হৌজিক্কী মতম অসিদা মশানা মশাবু অশিংবনি হায়না খঞ্জদুনা লমদমসিগী ওইরক্লিবা চরাংনরবা পুন্সি অসিদগী নাথৈনবা করিসু কান্নদবদা অমগা অমগা মরাল শীনদুনা লৈরিবা লৈঙাক কাঙলোন শান্নবা কাঙবুশিং অসি খ্বাইদগী পঙবশিংগী মনুংদা অমনি হায়গদ্রা নৎত্রগা অশিংবনি হায়গদ্রা? ●

-মোইরাংথেম নেত্রজিৎ মীতৈ

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।